# পুন্সিদা মায় পাক্কে হায়রবদি - ১

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

আইফোন, আইপেদ, আইপোদ, মেকিনটোশ, এপল ৱাটচ, এপল টি ভিনচিংবা পোৎলম ময়াম অমা পুথোক্লিবা Apple Inc. company অসিবু হৌদোকপীরম্বা অমদি মসিগী সী ঈ ও ওইনা লৈবিরম্বা ময়াম্না হেন্দোক্না শকখঙনরবা Steve Job না হোস্পিটালগী ফমুংদা অশিবগী খয়াৎতা তাদুনা pancreatic cancer না নাদুনা শিগদবগী অরোইবা মীৎকুপ্পা ঙাইদুনা লৈরিঙৈ মতমদা অসুম্না হায়রম্মী। "অতোপ্পগী মফমদদি ঐহাকসে পুন্সিদা মায় পাক্লবা, শেল-থুম পায়রবা, মীয়াম্না শকখঙবীরবা মীওই অমনি, অদুবু ঐহাক্না হোস্পিটালগী ফমুংদা নাদুনা লৈরবা মতমসিদদি মায় পাকপা, মীংচৎ, লন-থুম পুন্নমক অসি অরেম্বনি। শেল-থুমদি তাল্লগা ফংই অদুবু পুন্সিদি অমুক চৎখ্রবদি অমুক তানবা ঙমদে"। মহাক্কী ৱাফম অসিদগী ঐখোয়না করি লৌশিনবা, তমশিনবা য়াই হায়বদু খঙজিনবদা কান্নগনি।

পুন্সিদা হীরম অমা নৎত্রগা হীরম অমদা মায় পাক্কে অমদি পুন্সি নুংশাংনা, নুংঙাইনা লৈগে, হিংগে হায়রবদি পোৎলম অহুমদি চঙদবা শুকয়া য়াদে। লোয়ননা হায়রিবা পোৎলম অহুমসি চুশিন্নদুনা, পূন্না চৎমিন্নবা য়াম্না মথৌ তাই। হায়রিবা পোৎলম অহুম অদুদি অতোপ্পগা অফবা মরী থম্বা (সোসল রিলেসনশিপ), চাং নাইনা শাজেল তৌবা (রেগ্যুলর এক্সর্সাইজ), স্পোর্টস শান্নবা অমদি মহৈ মশীন, লাইরিক-লাইশু (এদ্যুকেসন) নিংথিনা তমশিনবা অসিনি। পোৎলম অহুম অসিদগী পোৎলম অমা হেক ৱাৎপদা পুন্সিদা মায় পাকপা য়াম্না ৱানা থোক্কনি। মায় পাকপা থোক্লবসু পুন্সি নুংশাংনা, তুং কোয়না নুংঙাইনা হিংবা হায়বা অদুমদি খক ওইথোক্লোই।

মীওইবা ঐখোয়সে ইতোমতা হিংবা ঙমদে, হিংনদে। ঐখোয় অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা হিংবনা অমসু অমসু কান্নবা ফংই। পুন্সিদা করিগুম্বা হীরম অমদা, থবক অমদা মায় পাক্কে অমদি তুং কোইনা পুন্সি নুংঙাইনা হিংগে, লৈগে হায়রবদি ঐখোয় অতোপ্পগা অফবা মরী থম্বা য়াম্না মথৌ তাই, মরু ওইনা ঐখোয় ঐখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা, ইমুং মনুংগা নুংশি চান্ননা হিংবগী মরীঅদু থম্বা ঙমদ্রবদি ঐখোয় পুন্সিদা মায় পাকপা য়াম্না লুনা থোকই। মায় পাকপদি লায়রদনা লৈখা তানা মাঙখিবসু য়াই। ময়াম্নসু তাবীরম্লগনি, থেংনবীরম্লগনি চাহৈদবা দ্রগনচিংবদা লাইচুরকপা, হুরান-চিন্থি তৌরকপা, মীহাৎ-মীপূন্দা খোঙদারকপা, নুপী অঙাংদা নত্তবা লমচৎ চৎলকপা অমদি অতৈ তৌহৈদবা ক্রাইম কয়া তৌরক্লিবা অসিগী অহানবা হৌরকফমদি হায়রিবা পামদবা, তৌহৈদবা লম্বীদা খোঙদারক্লিবা মীওইশিং অসিনা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদগী অশেংবা নুংশিবা ফংদবা অমদি মখোয়গী মমা মপা ওইবশিংনা মখোয়গা মতম লেনমিন্নদুনা অৱা নুংঙাই ৱারী শান্নবীদবা অমদি অফ-ফত্ত তাকপী-তম্বীদবা অসিনি।

অসিগুম্বা পামদবা লম্বীশিং অসিগী লাংদা ঐখোয় ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংবু থুহল্লোইসি হায়রবদি ঐখোয়গী মতম কাইথোক্তুনা মখোয়গী অপাম পামদা হংবা, অফ-ফত্ত তানবা, তম্বীবা, হৌন-লোনচৎ, ফিজেৎ চাকচা তম্বীবা য়াম্না মথৌ তাই। অসুম্না অশেংবা নুংশিবগী মরী থল্লবদি ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংনা পামদবা লম্বীদা খক চঙলোই। অদুদি নত্তদুনা মখোয়বু মী অমা ওইনবা শেন্নিবনি হায়দুনা শেলদা পংথাদা থাদরগা মখোয়গদি তোৎন-তিন্না লোয়নদ্রবদি পামদবা লম্বীদা চঙলকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংই। শেল য়াম্না থাদরগা, ট্যুসন পংতৌ তৌহল্লগা মখোয় অফবা মী অমা হেক্তা ওইরক্কনি, মায় পাক্কনি হায়না খনবদি য়াম্না লানগনি। ময়ামসু সুম থিজিন্দুনা য়েংবীয়ু। পুন্সিদা মায় পাক্লে হায়না লৈরিবা মীওইশিংসি মখোয় মখোয়গী ইমুংগা অফবা মরী লৈনদুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং, মরু ওইনা মমা-মপাদগী অশেংবা নুংশিবা ফংবনা অয়াম্বনি। শেল পংথাদা থাদরগা মখোয়গদি লোয়নদনা শেম্লকপা মীওইশিংদি পুন্সিদা মায় পাকপা থোক্লবসু মমা-মপা ওইবশিংগী অৱা-অনা উবা ঙমদে লোয়ননা মখোয়দা মমা-মপাগী নুংশিবা চাং য়াম্না নেম্না লৈ। মরম অসিননি তুংদা মী ওইরকান্দা মমা মপাবু কোন্দুনা লুনা নুংশিনা তৌবীবগী মহুত্তা মখোয় মখোয়গী নুপীবুনা হেন্না নুংশিনা তৌবীদুনা অহল ওইরবা মমা মপা কয়াবু ইন্থোকপা, থীনা তৌবীবা কয়া অমা লৈরিবা ইরমদমদা। মসি ইরমদম খক্তগী নত্তে। মালেমগী অতৈ মফম পুন্নমক্তা থোক্লিবনি। লৈমিন্নরবদি য়েক্লবফাও নুংশিনরকই হায়নবা পাউরৌ লৈরিবদুনি।

ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা নুংশি চান্নবগী মরী লৈবা অঙাংশিং, মহৈরোয়শিংদি অচুম্বা লম্বীদা চৎকনি, ফত্তবা থবক তৌনীংলোই, অদুগা মহৈ মশীন তম্বদসু থৱায় য়াওনা তমগনি। মসিগী মরী লৈতবা কাঙলূপতুদি মসিগী ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা খোঙদাবা হৌরক্কনি। মরম অসিনা পুন্সিদা মায় পাক্কে, তুং কোয়না, নুংঙাইনা হিংগে হায়রবদি ইমুংগী মীওইশিংগা অহানবদা অফবা মরী থম্নবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা মমা মপা ওইরিবশিংনসু মচাশিংগা অফবা মরী থম্নবা মখোয়গা মতম লেনবা য়াম্না মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা পুন্সিদা মায় পাক্কে হায়রবদি ইশুং ইমান্নবা অমদি তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিংগসু অফবা মরী থমগদবনি। অসুম্না ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা, মশুং মমান্নবশিংগা অমদি তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিংগা অফবা মরী থম্বা মহৈরোয়দুদি পুন্সিদা খক মাঙলোই, শোয়দনা মায় পাক্কনি অমদি তুং কোয়না নুংঙাইনা হিংবা ঙমগনি। অসুম্না অতোপ্পগা অফবা মরী থল্লবা অমদি নোল্লুক্না চৎলবা, হোৎনবা কল্লবা নোংমদি শোয়দনা মায় পাকপা মীশক হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

অতোপ্পগা অফবা মরী থম্বনা, মরু ওইনা ঐখোয় ঐখোয়গী ইমুং মনুংগা অফবা মরী থম্বসি চুম্নগী নুংশিবা খক ফংবা নত্তে। মসিগী অফবা মরী অসি থমদুনা চৎলিবা মীওইশিং অদুদি থৌনা লিংজেল, পাঙ্গল, পূক্লিং থৌগৎ ৱাহৈ কয়া অমা তত্তনা ফংবা ঙম্মী। মরম অসিননি অতোপ্পগা অফবা মরী থম্বসি অসুক্কী মতিক মরু ওইরিবা। Apple Inc. Corporation গী founder অমদি CEO, Steve Job না অরোইবা য়াহিপ তাল্লমদাইদা মহাক্না য়াম্না পেনখিদবসি মহাক্কী নুংশিবা মচাশিং অমদি মহাক্কী লোয়নবীনা মহাক্না লোয়ননীংবা মতমদা মখোয়দা মতম চানা লোয়নবগী তাঞ্জা পীখিদবা অদুনি। হৌজিক্তা অশিবগী খয়াত্তা তারবা মতমদা মহাক খঙলকখি মহাক্না হোৎনজখিবা অমদি ফংখিবা মীংচৎ, লন-থুম পুন্নমক শিরগদবা মহাক্কী মফমদদি পুন্নমক অরেম্বনি অমদি মমল য়াওদ্রে হায়বা। মসিদগী ঐখোয়না তমশিনবা য়াবদি হিংলিঙৈসিদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা অমদি ইশুং ইমান্নবশিংগা, অতোপ্পগা অফবা মরী থমদুনা নুংশি চান্ননা লৈবা য়াম্না মথৌ তাই, মরু ওই হায়বসিনি।

অতোপ্পগা অফবা মরী থম্বা য়াম্না ফৈ অদুবু ঙসিগী দিজিটেল এজ অসিদা খ্বাইদগী মীওইবা অমগা মীওইবা অমগা নক্না নক্কনা ৱারী শানদবগী হৈনবী অসিনা নক্করবসু য়াম্না থাপতোক্না থম্বগুম থোক্লে। বি বি সীগী ন্যুজ ফেমিলি এন্দ এদ্যুকেসন কোরেসপোন্দেন্ট, Sean Coughlan না পীবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না চহী মঙাদগীনা ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা তিনেজ গ্রুপ্তা লৈবা অঙাংশিং চাম্মগী মনুংদা ৫৭তি মখোয় মখোয়গী মোবাইল ফোনগা তূম্মিন্নে, হায়বদি মখোয়গী ফমুংদা থমদুনা তূম্মি ঙসিগী কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা। অদুগা ৪২%না মখোয়গী মোবাইল ফোন মতম চূপ্পদা ওফ তৌদবীদা মখোয়গা লোয়ননা থম্মী হায়রি (২০২০)। বিজিনেস ইন্সাইদর কৌবা ৱেব বেজ মেগাজিন অমদা পীবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না চাদা ৯০ কোলেজ ষ্টুদেন্টশিংনা মখোয় মখোয়গী মোবলইল ফোনগা তূমিন্নে। অদুগা চাদা ৬৩ অমনা মোবলইল ফোন শীজিন্নবদগী তূমশিৎ ফাদে হায়, অদুগা চাদা ৫০ অমনা পুং ৬তগী তানা তূম্বনা হার্ট এটেককী লায়না লাকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না রিপোর্ট অমনা পীরি। অদুবু হন্দক্তা ৱেবসাইট অমদা থেংনখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নসু অসুম্না পীরি মদুদি চাদা ৯০ কোলেজ দা তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী মোবাইল ফোনগা তূম্মিন্নে, চাদা ৭০না তূম্বা মপূং ফানা তূমদে মোবাইল শীজিন্নবনা অদুগা চাদা ৫০ অমনা নোংঙাল্লগা হকচাং চোকথবা, হৈনীংদবা ফাওই হায়না। মসিনা তাকপদি হৌজিক্কানগী নহারোলশিংসি অসুক্কী মতিক মোবাইল ফোনদা লুপখ্রে হায়বনি। অসুম্না অহিং নুংথিল খায়দনা মোবাইল শীজিন্নবা অসিনা মশা তূম্বা-চাবা থুগাইবা, মশা শোকহনবা, মথৌদগী লাপথোক্লবতা নত্তনা অতোপ্পগা শক্কা-শক্কা উনবগী তাঞ্জা অসিসু মাঙহল্লে। মসিগী ফত্তবা হৈনবী অসিনা মখোয়না অতোপ্পগা অফবা মরী থম্বদা চাং য়াম্না হন্থহল্লি।

অনীশুবদা পুন্সিদা মায় পাক্কে অমদি পুন্সি শাংনা হিংদুনা নুংঙাইনা হিংগে হায়রবদি চাং নাইনা শাজেল তৌদুনা নৎত্রগা চাং নাইনা স্পোর্টসনচিংবা শান্নদুনা হকচাং ফনা লৈবা অসিনি। হকচাং ফত্তনা করিগুম্বা থবক অমত্তা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লোই। ইচম চম্বা খুদম অমা থল্লবদা লাইরিক পারিঙৈদা কোক চিক্লে নৎত্রগা পুক য়েক্লে খল্লসি মতমদুদা মতৌ করম্না নিংথিনা, পূক্লিং চঙনা লাইরিক পাবা ঙমগদৌরিবা, ঙম্লোই। অতোপ্পা থবক্তসু মসি মঙাই। থবক অমা তৌবদা মপূং ফানা পূক্লিং চিংশিন্না থবক তৌবা ঙমদবা, মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমদবা মীওই অমনা পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বদুমদি ওইথোক্ত্রে। মরম অসিনা চাং নাইনা শাজেল তৌদুনা নৎত্রগা চাং নাইনা স্পোর্টস শান্নদুনা, ঙম্লগদি শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াদুনা হকচাং খিং-খিং লাউনা, ফনা থল্লবদি পাঙথোক্লীংবা থবক কয়া পূক্লিং চঙনা, মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমগনি।

অদুবু ঐখোয় অয়াম্বনা হকচাং ফনা লৈবসি পোকপদগী লোয়নদুনা লাক্লবনি অমদি হকচাং ফদুনা অদুম লৈগনি হায়না খন্দোক্তুনা শাজেল তৌনদে অমদি শান্ন-খোৎনবসু তৌনদে। মসি ঐখোয়গী অরানবা ৱাখলনি। চাং নাইনা শাজেল তৌদ্রবা অমদি শান্ন-খোৎনবা তৌদ্রবদি ঐখোয়গী মসল অমদি হকচাংগী কয়াৎশিং শোয়দনা শোন্থরক্কনি অমদি শিথরক্কনি, পাঙ্গল য়াওরক্লোই, মরু ওইনা ঐখোয়না চহী ৩০ শুরক্লবদি। মসি হায় হায়দুনা নহা ওইরিবা কয়াগী মফমদা চাং নাইনা শাজেল তৌদনা, শান্ন-খোৎনবা তৌদনা মতোমতা মসলশিং অসি কনখৎলক্কনি অমদি শাগৎলক্কনি হায়না খনবদি লানগনি। ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা মসলশিং অসি ঐখোয়না চাং নাইনা শাজেল তৌদুনা শেমগৎপা মথৌ তাই। শাজেল চাং নাইনা তৌবনা অঙাংশিং অমদি নহা ওইবশিংদা মসল শেমগৎতুনা পাঙ্গল পীবতা নত্তনা চাউবগী, ৱাংখৎপগী চাংসু থুহল্লি।

No MED.107/6/2020-HS-HEALTH/
104/1/2020-DHS
**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: HEALTH DEPARTMENT**

**[illegible] / NOTIFICATION**
Imphal, the 27th March 2021

Notice inviting application from eligible doctors for the Post of Director at Churachandpur Medical College, Churachandpur.

For proper and smooth functioning of all activities of Churachandpur Medical College (CMC), Churachandpur, applications on plain paper are invited from any eligible and willing Medical Professional for **the Post of Director, CMC.**

2. Eligibility criteria as per Medical Council of India, Minimum Qualifications for Teachers in Medical Institutions Regulations, 1998 (amended upto 8th June, 2017) are as follows:

| Academic qualifications | Teaching/Research Experience |
|---|---|
| Should possess the recognised postgraduate medical qualification and other academic qualification from a recognized institution | A minimum of ten years' teaching experience as Professor/Associate Professor/Reader in a medical college/Instt. Out of which at least five years should be as Professor in a department. Preference for these appointments may be given to the Heads of the Department. |

3. **Age Limit** : Upper age Limit shall not exceed 67 years .

4. Appointment will be on contract basis as same terms as there in JNIMS , Imphal i.e. Monthly remuneration as Rs. 1,30,000/- plus Special Allowance of Rs. 10,000/- per month . There will be no deductions in lieu of pension etc received from the previous employer.

5. The application along with copies of supporting documents (self-attested) should be submitted to the Director of Health Services, Manipur **on or before 6th April 2021** with a fee of Rs. 1000/- (Rupees One Thousand) only by cash.

6. The selected candidate should immediately attend duties full time at Churachandpur Medical College/District Hospital, Churachandpur.

7. For any queries please contact:
Dr. L. Somorendro Singh,
Deputy Director (Training) Room No 217,
Directorate of Medical and Health Services, Manipur.

Sd/- Dr. Yumnam Suraj Singh
**Deputy Secretary (Health &FW)**
**Government of Manipur.**

HL-B/6888/1,2

No MED.107/6/2020-HS-HEALTH
104/1/2020-DHS
**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: HEALTH DEPARTMENT**

**[illegible] / NOTIFICATION**
Imphal, the 27th March 2021

Notice inviting application from eligible, willing in service candidates of Manipur Health Services for the Post of Assistant Professors at Churachandpur Medical College, Churachandpur.

As per NMC guideline No.MCI 12(2)/2019-Med.Misc/189334 dated 12/2/2020 the eligibility for appointment as Assistant Professor are as follows:

| Sl. No. | Academic qualification | Teaching and Research Experience |
|---|---|---|
| 1 | A post graduate qualification MD/MS/ DNB in the concerned subject. | 3 years Junior Resident in a recognized/permitted Medical College in the concerned subject and one year as Senior Resident in the concerned subject in a recognized/ permitted Medical College.<br>In case of DNB candidate equated to MD/MS in terms of clause 4A of Schedule-1, in addition to 3 Years teaching experience in the subject as Resident/Registrar/Demonstrator/Tutor or work experience gained DNB training, one year as Senior Resident in the concerned subject in a recognized/permitted Medical College. |

2. To meet the requirements at LOP/1st batch, the following posts of Assistant Professors are required in different disciplines as detailed below:

| Sl. No. | Department | Number of posts |
|---|---|---|
| 1 | Anatomy | 2 |
| 2 | Physiology | 2 |
| 3 | Biochemistry | 2 |
| 4 | Obs/Gynae | 2 |
| 5 | Anaesthesiology | 2 |
| 6 | Pathology | 1 |
| 7 | PMR | 1 |
| 8 | Forensic Medicine | 1 |
| 9 | Community Medicine | 1 |
| 10 | Ophthalmology | 1 |
| 11 | Radiodiagnosis | 1 |
| 12 | Dentistry | 1 |
| 13 | Emergency Medicine | 1 |
| 14 | Otorhinolaryngology | 1 |
| 15 | General Medicine | 3 |
| 16 | General Surgery | 3 |
| | **Total** | **25** |

3. Eligible and willing in service candidates of Manipur Health Services are invited to submit application on plain paper along with copies of supporting documents (self-attested) to the Director of Health Services, Manipur **on or before 6th April 2021** along with application fee of Rs. 1000/- (Rupees One Thousand) only by cash.

4. The selected candidates will be posted immediately on 'utilize basis' at Churachandpur Medical College (CMC), Churachandpur and will attend duties full time at CMC/District Hospital, Churachandpur. Salaries will be paid from the existing place of posting till post creation, MGEL/CMIS etc. is finalized.

5. For any queries please contact:
Dr. L. Somorendro Singh,
Deputy Director (Training), Room No 217.
Directorate of Medical and Health Services, Manipur.

Sd/- Dr. Yumnam Suraj Singh
**Deputy Secretary (Health &FW)**
**Government of Manipur.**

HL-B/6888/1,2

No MED.107/6/2020-HS-HEALTH
104/1/2020-DHS
**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: HEALTH DEPARTMENT**

**[illegible] / NOTIFICATION**
Imphal, the 27th March 2021

Notice inviting application from eligible, willing in service candidates of Manipur Health Services and JNIMS for the Posts of Professor and Associate Professor at Churachandpur Medical College, Churachandpur.

To meet the NMC requirements at LOP/1st batch vide Notification No. NMC/MCI 35(1)98(1)-med.(ii)123627 dated 28th October, 2020 for establishment of New Medical with an intake capacity of 100 students, applications on plain paper are invited from the eligible and willing in service candidates of Manipur Health Services (if any) /JNIMS, Porompat for the following Posts:

| Sl. No. | Department | Professor | Assoc. Professor |
|---|---|---|---|
| 1 | Anatomy | 1 | 1 |
| 2 | Physiology | 1 | 1 |
| 3 | Biochemistry | 1 | 1 |
| 4 | Pharmacology | 0 | 1 |
| 5 | Pathology | 0 | 1 |
| 6 | Microbiology | 0 | 1 |
| 9 | General Medicine | 1 | 2 |
| 10 | Paediatrics | 0 | 1 |
| 11 | Dermatology | 0 | 1 |
| 12 | Psychiatrics | 0 | 1 |
| 13 | Respiratory Medicine | 0 | 1 |
| 14 | General Surgery | 1 | 2 |
| 15 | Orthopaedics | 0 | 1 |
| 18 | Obs/Gynae | 1 | 1 |
| 19 | Anaesthesiology | 0 | 2 |
| 20 | Radiodiagnosis | 0 | 1 |
| 22 | Emergency Medicine | 0 | 1 |
| | **Total** | **6** | **20** |

2. Eligibility criteria for the Posts of Professor and Associate Professor as per MCI-12(2)/2019-Med.Misc./189334, dated 12/02/2020 are as follows:

| Sl. No. | Name of the Post | Academic qualification | Teaching and Research Experience |
|---|---|---|---|
| 1 | Professor (8 years of Post PG Experience) | A post graduate qualification MD/MS/ DNB in the concerned subject. | i. Associate Professor in the subject for 3 years in a permitted/approved/ recognized medical college/institution with three Research publications (at least two as Associate Professor) (only original papers, meta-analysis, systematic reviews, and case series that are published in journals included in Medline, Pubmed Central, Citation index, Sciences Citation index, Expanded Embase, Scopus, Directory of Open access journals (DoAJ) will be considered). The author must be amongst first three or should be the Corresponding author.<br>ii. Should have completed the Basic course in Medical Education Technology from Institution(s) designated by MCI.<br>iii. Should have completed the Basic course in biomedical research from Institution(s) designated by MCI.<br>Further provided that for the transitory period of 2 years w.e.f. 12/02/2020 i.e. the date of this notification by NMC, the appointment/ promotion to the post of Professor can be made by the institution in accordance with the —"Minimum Qualifications for Teachers in Medical Institutions Regulations, 1998" as prevailing before issuance of notification dated 12/02/2020. |
| 2 | Associate Professor (5 years of Post PG Experience) | A post graduate qualification MD/MS/ DNB in the concerned subject | i. As Assistant Professor in the subject for 4 years in a permitted/approved/recognized medical college/ institution with one Research publication (only original papers, meta-analysis, systematic reviews, and case series that are published in journals included in Medline, Pubmed Central, Citation index, Sciences Citation index, Expanded Embase, Scopus, Directory of Open access journals (DoAJ) will be considered). The author must be amongst first three or should be the Corresponding author.<br>ii. Research project in lieu of publication/authorship can be considered only if the person is Principal or Co Principal investigator (P1/CoPI) of a research project funded by a national research body such as Indian Council for Medical Research (ICMR), Department of Science & Technology (DST), Department of BioTechnology (DBT) or any such body.<br>iii. Should have completed the Basic course in Medical Education Technology from Institution(s) designated by MCI.<br>iv. Should have completed the Basic course in biomedical research from Institution(s) designated by MCI.<br>Further provided that for the transitory period of 2 years w.e.f. 12/02/2020 i.e. the date of this notification by NMC, the appointment/ promotion to the post of Professor can be made by the institution in accordance with the —"Minimum Qualifications for Teachers in Medical Institutions Regulations, 1998" as prevailing before issuance of notification dated 12/02/2020. |

3. The application along with copies of supporting documents (self-attested) should be submitted to the Director of Health Services, Manipur **on or before 6th April 2021** with a fee of Rs. 1000/- (Rupees One Thousand) only by cash.

4. The selected candidates will be posted immediately on utilize basis at Churachandpur Medical College (CMC), Churachandpur and will attend duties full time at CMC/District Hospital, Churachandpur. Salaries will be paid from the existing place of posting till post creation, MGEL/CMIS etc. is finalized.

5. For any queries please contact:
Dr. L. Somorendro Singh,
Deputy Director (Training) Room No 217,
Directorate of Medical and Health Services, Manipur.

Sd/- Dr. Yumnam Suraj Singh
**Deputy Secretary(Health &FW)**
**Government of Manipur.**

HL-B/6888/1,2

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।